

# সনালৈবাক স্পোর্টস




IMPHAL, TUESDAY, NOVEMBER 27, 2018 PAGE 7


*নেসনেল ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মেরি অন গোমসপু মায়থিবা পীরল্লগা অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ভক্তি কুলকরনি*

*মখুউ শোকপনা মরম ওইরগা চয়োল অনীরোম শান্নবা য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবা বার্সেলোনাগী ষ্টার প্লেয়র লুই স্বারেজ*

## টুর্নামেন্ট মনুংদা শোকপগী খুদোংচাদবা লৈতনবা ফিট ওইরবা শান্নরোই খক্তমক খনগনিঃ চীফ কোচ হরেন্দ্র




*চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি শান্নরোইশিংদা ত্রেনিং পীবা*

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৬ঃ*

থা অসিগী ২৮ দগী ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াননবগী লৈবাক অসিগী শান্নরোই খনবদা ফিট ওইরবা শান্নরোই খক্তমক খনগনি হায়না চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট শান্নরিঙৈ মনুংদা শোকপনা মরম ওইরগা শান্নরোই শিন্দোকপা হায়বসি য়াম্না খন্থদবা য়াদবা মচাক অমা ওই। মরম অদুনা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্ক্রিঙৈ মমাঙদা মপুংফানা ফিট ওইরবা শান্নরোইশিং খনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি হায়নসু হরেন্দ্র সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী চীফ কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহ থা ৬ কী মমাঙদগী থোঁ অসি পুরকখিবনি। মহাক্না থোঁ পুরকপদগী চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলবা মতুং এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিগী হান্না কোচ ওইরম্বা নেদরলেন্দস মচা মারিনে ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মরিশুবা পোজিসন তাহৌবদগী কোচ ওইবগী ফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং হরেন্দ্র সিংহবু হোক্কি ইন্দিয়ানা অনৌবা কোচ ওইনা হাপখিবনি।

হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক শান্নরোইশিংনা চহী খরগী মমাঙদগী হোৎনরকখিবশিং অদুগী ফল ফজনা ফংলগনি। মখোয়গী পার্ফোমেন্সশিং অসি য়েংলগদি চথগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়নসু হরেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হরেন্দ্র সিংহনা কোচ হেক ওইবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অসিবু এটেক্কিং ওইবা মওংদা অকনবা ত্রেনিং চথখি। মসিনা মরম ওইরগা পান্নিবা রিজল্ট অদু ফংবদা চাওনা মতেং পাঙলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হোক্কি ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ পাঙথোকফম ওইরিবা ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়ম অসি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী য়াম্না চুন্নবা মফম অমনি। মফম অসিদা কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগতা ইন্দিয়াগী টিম্না ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা ওইরগা ভাইস কেপ্টেননা মণিপুরগী কাঙুজম চিংলেনসানা ওইরি।

## কানাদানা জর্মনিবু ১–০ দা থোইদুনা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, মেক্সিকোসু ঘানাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




*কানাদাগী শান্নরোইশিংনা জর্মনিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

FIFA
U-17 WOMEN'S WORLD CUP
URUGUAY 2018

*মোন্টেভিদিও, নবেম্বর ২৬ঃ*

উরুগ্বেনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদানা জর্মনিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। মেক্সিকোনা ঘানাবু পেনাল্টিদা মায়থিবা পীরল্লগা মখোয়সু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি উরুগ্বেগী কোনুং মোন্টেভিদিওদা লৈবা ষ্টেদিও চারুৱাদা কানাদা অমসুং জর্মনিনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌবদগী য়াম্না পাঙ্গল মান্ননা লাকখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবা হেনখ্রবসু কানাদাগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চলহন্দনা থমখি। অমরোমদা কানাদাগী শান্নরোইশিংনসু কাউন্টর এটেক চথদুনা শান্নরকপা অদুদসু জর্মনিগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল চলহনবগী খুদোংচাবা পীখিদবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোর্দিন পামেলা হুইটেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা জর্মনিগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌখি।

মখা তাবা লেমহৌবা শান্নবগী মতম খরা অদুদা জর্মনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি কানাদাগী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু কানাদাবু জর্মনিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মেক্সিকোনা ঘানাবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা কানাদাগা শান্নরগনি।

মেক্সিকো অমসুং ঘানানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদনা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা অহানবা মিনটতা ঘানাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মুকারামা অব্দুলাইনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা মেক্সিকোনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা নিকোল পেরেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা ঘানাগী শান্নরোই সুজি টেয়েনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মাঙজিল থাখি। ৮২শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নিকোল পেরেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–২ দা মান্নরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌনরকপদা মেক্সিকোনা ঘানাবু ৪–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## উদান্তগী পাঞ্জলনা বেঙ্গালুরু এফসিনা দিল্লি দাইনামোস এফসিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংহনবা ঙমখ্রে




*বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই উদান্ত সিংহ(ওই)না দিল্লিগী শান্নরোই অনী লাম্থোক্তুনা বোল পুনবা হোৎনবা*

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ২৬ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচতা উদান্তগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা বেঙ্গালুরু এফসিনা দিল্লি দাইনোমস এফসিবু ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীমক মেটচ হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা দিল্লি দাইমোসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নন্দকুমার সেকরনা কাউশিনখিবা সোট অমা মপা চুমহৌদবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দিল্লি দাইনামোসকী গোলকিপর অলবিনো গোমেজনা য়াম্না ফজনা চোংদুনা মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোইশিংনা কাউশিল্লকখিবা বোল অদু ফাবা ঙমখি।

টিম অনীমক অহানবা হাল্ফকী মতম অদু শান্নরকপদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা ফংনরবসু পাঞ্জল ওইহনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং কনশিল্লকখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদে।

শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা মণিপুরী মচা উদান্ত সিংহনা বোল অদু নীংথিনা কলেক্ট তৌরগা গোল তম্না কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা বেঙ্গালুরুনা দিল্লি দাইনামোসপু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু বেঙ্গালুরু এফসিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা লম্বা পীবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু বেঙ্গালুরু এফসিনা দিল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## দিসেম্বর ২৭ তা ইন্দিয়া অমসুং ওমান ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৬ঃ*

মথং চহীদা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপগী শেম শাবা ওইনা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৭ তা ইন্দিয়ানা ওমানগা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১৫ দা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ কী ক্বালিফায়রগী শরুক অমা ওইনা বেঙ্গালুরুদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া ওমানগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিবা নংখি। অদুগা ওমাগী কোনুং মুস্কাটনা শান্নখিবদসু ইন্দিয়াগী টিম ওমানগী মখূত্তা পাঞ্জল –০ ৪ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা নংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম হৌজিক–হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ৯৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ওমানগী টিম রেঙ্কিং অসিগী ৮৪শুবদা লৈরিবনি। ইন্দিয়া অমসুং ওমান গ্রুপ অমত্তা তাম্নিন্নরি।

এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দগা মথং চহীগী জনুৱারী ৬ দা য়ুএইগী কোনুং দুবাইদা লৈবা অল নাহিয়ান ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

## কুমজা ২০২২ কম্মনৱেল্থ গেমসতা আইসিসিনা ৱুমেন্স ক্রিকেট য়াওহন্নবা হায়খ্রে

*দুবাই, নবেম্বর ২৬ঃ*


কুমজা ২০২২ দা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা বিরমিংহামদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা নুপীগী ক্রিকেট য়াওহন্নবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) মরী লৈনবা চে–চাংশিং থাগৎখ্রে।

আইসিসিনা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ফেদরেসনদা থাগৎখ্রবা চে–চাংশিং অদুদা য়াওরিবদি নুপীগী ক্রিকেট টিম ৮ না টি–২০ ফোরমেটতা পুল অনী থোক্লা পুন্না মেটচ ১৬ ভেন্যু অনীদা শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াই কম্মনৱেল্থ গেমসকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৮ দা মালেসিগী কোনুং কোলা লম্পুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি। ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চীফ ইকজিক্যুটিভ দেবিদ রিচার্দসননা ফোঙদোকখিবদা বিরমিংহাম অসি ক্রিকেট শান্নফম য়াম্না মরাং কায়বা অমদি দাইভরস কলচর অমসুং হেরিটেজ লৈবা মফম্নি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা ভিলারিয়েলনা রিয়েল বেটিসপু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইটালিগী সেরি এদা মিলান অমসুং লাজিও পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে




*মাদ্রিদ। রোম, নবেম্বর ২৬ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা স্পেনগী লা লীগাদা ভিলারিয়েলনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা মিলান অমসুং লাজিও পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ভিলারিয়েল অমসুং রিয়েল বেটিসনা শান্নখিবা লা লীগাগী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জেরার্দ মোরেনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মিনট অনী লৈরগা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লৈরিবা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা সামুয়েল চিমেরেঙ্কানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই জিওভানি লো চেলসোনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু ভিলারিয়েলনা রিয়েল বেটিসপু ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা জিরোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইবা ঙমখি। জিরোনাগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৪ অমসুং ৬শুবা মিনটতা কৃষ্টিয়ান ষ্টোনিনা অনী অদুগা ৯০শুবা মিনটতা সেদৌ দোমুবিয়ানা অমা চনবা ঙমখি। ইস্পানিওলগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা বোরজা ইগ্লেসিয়াসনা চনবা ঙমখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী লীগ মেটচ অমদা মিলান অমসুং লাজিও পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফ্রাঙ্ক কেসিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা লাজিলদগী মাঙজিল থাখি।

মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী অরোইবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোক্কিন কোরিয়ানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা জেনোৱা অমসুং সাম্পদোরিয়া পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল সাম্পদোরিয়াগী ফাবিও ক্বাগ্লিয়ারেল্লানা ৮শুবা মিনটতা চনখি। জেনোৱাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদুনা ১৭শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টিদা ক্রাইজটোফ পিয়াটেকনা চনবা ঙমখি।

## ভরসা ভরমননা নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টতা গোল লৌখ্রে



*জয়পুর, নবেম্বর ২৬ঃ*

রাজস্থানগী সিটি জয়পুরদা লৈবা জেদিএ রেঞ্জদা চথরিবা ৬২শুবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ভরসা ভরমননা নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেনিয়র নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ভরসা ভরমননা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা সোমিয়া গুপ্তনা পোইন্ট ৩৭ ফংলগা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। ওলেম্পিয়ান সাগুন চৌধারিনা পোইন্ট ৩০ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিদা সিলভর মেডল ফংখিবী সোমিয়া গুপ্ত ফাহাদ সুল্টানগা পেয়র ওইদুনা মিক্স টিমদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী রাজেশ্বরী কুমারী, ৱার্ল্ড কপ সিলভর মেডালিষ্ট সিমা টোমার অমসুং কম্মনৱেল্থকী দবল ত্রেপকী চেম্পিয়ন শ্রেয়াসি সিংহ মথংশিংনা ৯, ১০ অমসুং ১১ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

৬২শুবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱুমেনগী ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা সোমিয়া গুপ্তনা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা আদিয়া ত্রিপাথিনা পোইন্ট ৩৭ তা সিলভর মেডল ফংলগা মনিসা কিরনা পোইন্ট ২৯ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

## বোল্লর কুলদিপ টোপ ফাইভকী মনুং চনখ্রে

*দুবাই, নবেম্বর ২৬ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না ঙসি থাদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদব টি–২০গী বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা ৫শুবা পোজিসনগী মনুং চনখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না শান্নখিবা টি–২০ মেটচ অহুমদা ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদবনা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবদগী হান্না ২০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

অমরোমদা টেষ্ট টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা পুন্না পোইন্ট ১১৬ ফংদুনা নৌনা থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।